
HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাউ
The Largest Circulated Newspaper in Manipur
Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




লৈ ইথ্বোল য়ুথ দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেশননা হন্দক চহীগী বোসেম, কোসেম অমদি সী বি এস ঈনা লৌবা এগজামিনেশন য়াওনা জে ঈ ঈ-মেন অমদি এন ঈ ঈ টি-য়ু জি এগজামদা মায় পাক্লকুবশিংবু শকখঙচে পীদুনা তরাম্না ওকখিবা

লৌশিং পূক্কে : দিমেন্সিয়া নাহল্লক্তনবা হোৎনবদা য়ুমগী ... লামায় ২
লামায় ৪ শীংবুলদগী শৎতোরকপা পূন্সি মচেৎ খরা!
খাম্বী মৈসে মুখৎপীরলাউ হায়না ঐখোয়গী ইপন্থৌসে... লামায় ৫
লামায় ৬ দোনাল্ড ত্রম্পনা মীহাৎ-মীপুনগী ঈরাং লৈরিবা ...
ষ্টেট মরিগী এ সী মঙাগী বাই ইলেকশনদা এ এ পি... লামায় ৮
লামায় ১০ মণিপুর ওপন চালৌ কপঃ সেন্ট্রেল...

শক্লাইরবা লাইয়েকপা 'আর কে সী এস' কী মিংদা মহাক্কী বর্থ সেন্টিনরি সিলেব্রেশন কম্মিটিনা লূপ অনীগা খূৎশম্নদুনা ককচীংগী অঙান চীংগী ইকো পার্কতা উ থাবগা লোয়ননা মেমোরিএল ব্লোক হাংদোকখিবা




Vol. 49, Issue No. 084 | লৈবাকপোকপা, ইঙাগী ২৯নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Tuesday, June 24, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

### নাগালেন্দগী ফেসমাদা এন ঐচ-২গী লম্বী মতেক অমা নমথদুনা তৎখিবা
# নোংজুথা লোইদ্রিবা ফাওবদি শেমজিনবা ঙমগনি থাজদ্রে খরা থুনা শেমজিনবীনবা গভর্ণরনা তকশিনবীয়ু : এম দি এ

### নাগালেন্দগী ফেসমাদা এন ঐচ-২গী লম্বী মতেক অমা তৎখিবদগী বাইপাস রোদতা পুশিল্লক্লিবা পোৎ চৈশিংবু মমল হেনগৎনা মীয়ামদা য়োনবা হৌরক্লিবসি মণিপুর লৈঙাক্কী সী এ এফ এন্দ পি দিগী ওফিশলশিংনা য়েংশিনবীয়ু


নাগালেন্দগী ফেসমাদা এন ঐচ-২গী নমথখিবা লম্বী এন ঐচ আই দি সী এলনা শেমজিনবা হৌরকপা

ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচএনএস) : মণিপুরদসু মমাঙ থাগী ২৭/২৮দগী নুমিৎ খরনি চূপ্পা লেপ্তুনা নোং চুখিবদগী চীং অমসুং তমদা চেল্লিবা তুরেলশিংগী ঈমাই ৱাংখৎলক্তুনা মফম কয়াদা তুরেল লৌনম্বাল কায়দুনা চেনশিল্লকপা ঈশিংনা ঈশিং-ঈচাওগী খুদোংচাদবা মায়োক্লখিবদা নত্তনা দিমাপুরদগী ইম্ফাল ফাওবগী মরক্তা লৈরিবা নেশনল হায়ৱে-২ পরিংদা নাগালেন্দগী ফেসমাদা হায়ৱে অসিগী লম্বীগী অশাংবা শরুক অমা লেপ্তুনা চুখিবা নোংনা মরম ওইরদুনা পুল্লপ কিন্থদুনা তৎখিবদগী হৌজিক নেশনল হায়ৱে ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভেলপমেন্ট কোর্পোরেশন লিমিটেদ (এন ঐচ আই দি সী এল) না ৱার ফুটিংদা তৎখিবা লম্বী অদুগা তাইনবা চীংগী শরুক ককথরগা নৌহৌননা অনৌবা লম্বী অমা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### বোর্দর ফেন্সিং ১সুং এফ এম আর চৎনহন্দবগী মায়োক্তা অন্সমগী খোঙজং হৌখ্রে
# সেনাপতিগী মিনি সেক্রেটরিএটকী থবক চপ লেপহনখ্রে

### সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী এস পি অমসুং এদিশনেল এস পি লৌথোক্কদবনি, অন্সম য়াওনা লূপশিংগী মথক্তা ফাইল তৌবা কেস ৱিথদ্রো তৌগদবনি হায়খ্রে




ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচএনএস) : ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈ পরিংদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা বোর্দর ফেন্সিং তৌরকপা অমসুং ঙমখৈ পরিং অসিদা চৎনহল্লম্বা ফ্রী মুভমেন্ট রেজিম (এফ এম আর) থুপচিনখিবগী মায়োক্তা ওল নাগা ষ্টুদেন্টস এসোসিএশন, মণিপুর (অন্সম) না মাঙজৌননা লাউথোকখিবগী মতুংইন্না থা অসিগী ২৭ ফাওবা নুমিৎ মঙানি চূপ্পা চঙশিনগদবা নাগাগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈবা লোয়শঙশিং থিংজিনবগী খোঙজং ঙসিদগী হৌখিবগা লোয়ননা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা লৈবা মিনি সেক্রেটরিএটকী থবক থৌরমশিং চপ লেপহনখ্রে।

খোঙজং চঙশিনখিবা অন্সমনা কোনশিল্লিবা সেনপাতি দিষ্ট্রিক্ট ষ্টুদেন্টস এসোসিএশনগী থৌ পুবশিংনা মিনি সেক্রেটরিএট অসিগী গেটতা মখোয়না তানবা দিমান্দশিং ইবা বেন্নর অনী থেৎচিন্দুনা মিনি সেক্রেটরিএট অসিগী ওফিশল অমত্তা চঙথোক চঙশিন তৌহনখিদে। খোঙজং অসিগী মনুং চন্না তানবা দিমান্দশিংগী মনুংদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এস পি অমসুং এদিশনেল এস পি (এল ও) দিষ্ট্রিক্ট অসিদগী লৌথোকখিগদবনি অমসুং অন্সম, এস দি এস এ, এম কে এস, এন এস য়ু, পি এন টি এম, টি এ জে অমসুং জেলিয়াংরোং ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (সাউদর্ন জোন) নচিংবা নাগা লূপশিংগী মথক্তা ফাইল তৌরিবা এফ আই আরশিং মরম চাদে হায়রদুনা ৱিথদ্রো তৌগদবনি হায়খি।

খোঙজং অসি থাসিগী ১৬তা সেনাপতিদা পাঙথোকখিবা অন্সমগী প্রসিদেন্সিএল কাউন্সিলগী মীফমনা কূপ্না খন্নরবা মতুংদা চঙশিনগনি হায়না মাঙজৌননা লাউথোকখিবনি। ঙসিদগী হৌখিবা খোঙজং অসি সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট খক্তা নত্তনা নাগাশিংনা তাবা অতোপ্পা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদসু অন্সমগী মীৎয়েং মখাদা তোঙান তোঙানবা ফূরূপ অসিগী লূপশিংনা চঙশিনখি। অদুবু থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোকপগী পাউদি লৈখিদে।

### পোজিটিভ কেস ১৫৮ শুরে
ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচএনএস) : ঙসি মরী লৈনবা লোয়শঙগী ওফিশলশিংনা কোভিদ-১৯গী ষ্টেটস অপদেট তৌরকপগী মতুংইন্না ঙসি সেম্পল ৪১ টেষ্ট তৌবদা মীওই ১৩ পোজিটিভ ওইরম্বদগী ঙসি ফাওবদা মণিপুরদা থেংনবা পোজিটিভ কেসকী মশীং ১৫৮ শুরে হায়রি।

### কষ্টদি লৌখ্রে, থাঙ ফংলে
ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচএনএস) : ঙরাং নোংঙাল্লমদাইদা কৈখুদা অঙ্গনৱাদি ৱার্কর ওইবী সিমা শহানিবু তূন্লিঙৈদা মঙক্তা থাঙনা লেন্দুনা হাৎখিবা মহাক্কী মপুরোইবা মুজিবুর রহমন ঙসি মরী লৈনবা মেজিষ্ট্রেটকী মমাঙদা পুথোক্লগা পুলিসনা নুমিৎ ১০নিগী কষ্টদি রিমান্দ লৌখ্রে। মহাক্না শীজিন্নখিবা থাঙসু রিকোভর তৌরে হায়রি।

### শীংজমৈদগী কাঞ্চিপুর ফাওবগী লম্বী মপু পান্দ্রে ঙাইহাক্তং নোং খংয়ৈ চুবদা খংথুম থুন্লে
ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচএনএস) : মমাঙ থাগী অরোইবা শরুক্তগী লেপ্তুনা চুরকখিবা নোংনা তুরেলশিংগী ঈমাই ৱাংখৎহল্লকপদগী তুরেল মায়োক্লবদগী মরী লৈনবা এম এল এশিং ফাওবা চোংথোরক্তুনা ঈচাওনা শোকহনখ্রবা য়ুমশিংগী মনুংদগী নৌনা শাদুনা খূৎশিন্নবগী থৌরম ঙসি খুরাই



তোর্ব্বান কায়দুনা মরু ওইনা ইম্ফাল ইষ্টকী মফমশিংদা ঈশিং ঈচাওগী অৱাবা এ সীদা পাঙথোকখ্রবসু নেশনল হায়ৱে ওইবদা নত্তনা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

### ম্যেন এক্স্যুজ খাবা ফারবনিনা চেসম অব্দুল কাদিরগী হকচাং লৌরগনি : জে এ সী
ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচএনএস) : ৱাঙ্গোই পি এসকী মনুং চনবা পাওবিতেক ময়ায় লৈকায়দগী হকচাংগী ফীভমদা মীয়ামগা মীমান্নদ্রবা চেসম তোঙান তোঙানবা দিমান্দশিং তাল্লদুনা মহাক্কী হকচাং লৌশিন্দনা লৈরকখিবদু থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসনা লৌখৎপা কেসকা মরী লৈননা ম্যেন



অব্দুল কাদির এলিয়জ অচৌববু হাৎলবা মতুংদা নম্বুল তুরেল মপান্দা ফুমজিল্লম্বা থৌদোক্কী মায়োক্তা শেমখিবা জে এ সীনা এক্স্যুজ ওইরিবা লোংজম খাবাবু পুলিসনা ফারবনিনা মহাক্কী হকচাং হয়েং নুংথিল পুং ৫ তারকপদা ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

### সেন্টরগী বি জে পি লৈঙাক্না মণিপুরগী লান লোইশিন্দবগী মায়োক্তা ককচীং খুনৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী কাউন্সিল্লর বিমোলচান্দ বি জে পিদগী তোকখ্রে
### বি জে পিগী থৌমীশিংনসু ইমা লৈবাক্তগী পার্টিনা হেন্না লূম্না লৌবগী থবক তোক্লসি : অঙোম বিমোলচান্দ

ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচএনএস) : মে ৩, ২০২৩দগী কুকি-জো টেররিষ্টশিংনা মণিপুরদগী সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন লৌগনি হায়দুনা মীতৈদা অতম্বনা ওনশিন্দুনা চথরক্লিবা তমথীরবা লান অসি চহী অনী হেল্লক্লবা ফাওবদা মসিগী ৱারোইশিন



দবা ফোঙদোক্লদুনা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চল্লিবা ককচীং খুনৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্দ নম্বর ৭কী কাউন্সিল্লর অঙোম বিমোলচান্দ ঙসিদগী বি জে পিদগী তোকখ্রে।

মহাক্না বি জে পিদগী তোকপগী ৱাফম অসি পুরক্লবা হোৎনবদা সেন্টরগী বি জে পিগী লুচিংবশিংনা লৌরক্লিবা থৌদাংশিংবু পেন ঙসি মহাক্কী য়ুমদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা ...মখা লমায় ৬ কলম ৪

### কিদনি অনী ত্রান্সপ্লান্ট তৌরগদবী পেসেন্টতা আর পি আইনা তেংবাঙখ্রে
ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচএনএস) : মণিপুরগী লাননা মরম ওইরদুনা চুড়াচান্দপুরগী দি ফাইলেন লৈন্রাম লৈকায়দগী লাঞ্জেল্লক্তুনা লৈন্রামগী সেদ্যুল্ড কাষ্ট গর্লস হোষ্টেলদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবী মশাগী কিদনি অনীমক ফেল ওইরকপদগী ন্যু দেল্লীগী এইমস হোস্পিটালদা ত্রান্সপ্লান্ট তৌনবগীদমক লায়েংলক্লিবী এন সোফিয়াদা আর পি আই -এগী মহেশ্বর থৌনাওজমনা শেলগী মতেং পাংখ্রে হায়রি।

### রেদ সিল্ড দিভিজনগী জি ও সীনা সৈনিক স্কুল ইম্ফাল য়েংশিনখ্রে
# শীংথানীংঙাই ওইবা পর্ফোর্মেন্সগীদমক থাগৎখ্রে




ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচএনএস) : সৈনিক স্কুল ইম্ফালগী লোকল বোর্দ ওফ এদমিনিষ্ট্রেশন (এল বি এ) গী চ্যেরমেনসু ওইরিবা রেদ সিল্ড দিভিজনগী জি ও সী মেজর জেনরেল এস এস কার্তিকেয়ানা ঙসি পাঙ্গৈদা লৈবা সৈনিক স্কুল ইম্ফালদা লাক্তুনা হকথেংননা স্কুল অসিগী ফীভম য়েংশিনখিবগা লোয়ননা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরবসু ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

### আর কে সী এস ব্লোক হাংদোকপগা লোয়ননা উ থাখ্রে
ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচএনএস) : ময়াম্না 'আর কে সী এস' হায়রগা হেন্না খঙনবা মণিপুরগী শক্লাইরবা লাইয়েকপা আর কে চন্দ্রজিৎস্নাগী মিংদা মহাক্কী বর্থ সেন্টিনরি সিলেব্রেশন কম্মিটিনা ত্রাভেল্লরস ফোরম, মণিপুর অমসুং এলাইএন্স ফোর দিভেলপমেন্ট অলটর্নেটিভস, মণিপুরগা খূৎশম্নদুনা ঙরাং ককচীংদা লৈবা অঙান চীং ইকো পার্কতা আর কে সী এস মেমোরিএল ব্লোক হাংদোকপগা লোয়ননা উ চারাশিং থাখ্রে।

থৌরম অসি ম্যান্মারদগী লাকপা ফুরাইলাৎপম স্বাষ্টিকনা মোইবুং খোংদুনা হৌদোকখিবনি। আর কে সী এস ব্লোক হাংদোকপগী থৌরমদা শক্লাইরবা অইবা সরতচান্দ থিয়াম্না হায়, ঐখোয়না ঙসি আর কে সী এসকী ১০০শুবা মপোক কুমওন থৌরমগী মনুং চন্না পাঙথোক্লিবা অসি লাইওইখ্রবা মহাক্না মণিপুরগীদমক তন্বীরম্বা খুদোলশিংবু নৌহৌননা নীংশিংবনি। তশেংনা হায়রবদা আর কে সী এস ইচম চম্বা লাইয়েকপা অমা নত্তে। মহাক্তি মণিপুরনি, মণিপুরগী সিম্বোলনি । ...মখা লমায় ৬ কলম ১

### এক্সকর্সনগী গাড়ী দ্রাইভর ফূরকপা গেঙ খূৎপুনা মীয়ামদা শেংদোক্কদবনি



ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচএনএস) : থৌবাল হাওখ কিয়াম সিফাইদা লৈবা 'য়াই কোচিং সেন্টর কম বোর্দিং' গী মহৈরোয়শিংনা এক্সকর্সন চৎপগী গাড়ী গেঙ খূৎপু মানবা মীওই খরনা থুগাইরকপদা নত্তনা দ্রাইভরবু তমথীনা ফূরকপা অমসুং পীক্লিবা মহৈরোয়শিং অমদি মখোয়গী গার্দিয়নশিংদা অকি-অখং পোকহল্লকপা থৌওংবু ৱাইথৌ, কিয়াম, কিয়াম সিফাই, হাওখ অমসুং থৌবাল খুনৌগী ক্লব ১৮গী অপূনবা লূপ-'মৈতৈ কম্যুনিটি জোইন্ট কোওর্দিনেটিং কম্মিটি' (এম সী জে সী সী) অমসুং ৱিমেন ৱিংনা পেন্দবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা অথুবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

### ফায়র সর্ভিসকী বেসিক ফায়র এন্দ লাইফ সেফটি ত্রেনিং প্রোগ্রাম
ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচএনএস) : মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসকী পাউতাক মতুংইন্না মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা ফায়র সর্ভিস দিপার্টমেন্টনা থা অসিগী ২৫ ফাওবা চথগদবা মঙারকশুবা নুমিৎ হুম্নিগী বেসিক ফায়র এন্দ লাইফ সেফটি ত্রেনিং প্রোগ্রাম ঙসি হৌদোকখ্রে।

রিমসকী দিরেক্টর জি সুনিলকুমারনা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা হৌদোকখিবা থৌরম অসিদা জোইন্ট সেক্রেটরি (হোম) এম ভেটো, হেল্থ সর্ভিসেসকী দিরেক্টর ডা. চম্বো গোনমৈ অমসুং ফায়র সর্ভিসকী দিরেক্টর এল নবচন্দ্রনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইখি।

### মোইরাংথেম রাজেন্দ্রদা 'রাইটর ওফ দি য়র'-২০২৫ পীরগনি



ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচএনএস) : নহারোল সাহিত্য প্রেমি সম্মিটি, ইম্ফালনা মণিপুরী সাহিত্যদা মমল নাইদ্রবা খুদোল তম্লিবা অইবা অইবীশিংদা চহী খুদিংগী পীরকপা লেমজনীংঙাই ওইরবা 'রাইটর ওফ দি য়র' ২০২৫ (লাইফ টাইম এচিভমেন্ট এৱার্দ) শক্লাইরবা অইবা মোইরাংথেম রাজেন্দ্রদা পীরগনি হায়না ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

### এক্সিদেন্টদা নুপী ১ শিরে
ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচএনএস) : মোইরাং পি এসনা কোল্লিবা শুনুসিফাইগী মীয়ামগী পূখ্রি মনাক্তা গাড়ী মচা অনী ঙরাং নুংথিল পুং ১.৪৫ রোম তারকপদা এক্সিদেন্ট থোকপদা মোইরাংগী মোইরাংথেম লৈজুবম ...মখা লমায় ৩ কলম ১

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

# রিলিফ কেম্পতা থম্বীরক্লিবা অহল অমনা হায় : খোঙ হাম্বা ফাওবা কা মনুংদা বকেটতা হাম্বা য়াওরে, য়াম্না নুংঙাইরে

*রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী*
**হকথেংনবা পাউদম**
চুড়াচান্দপুরগী থেঙ্গ্রা লৈরক্তগী খুঞ্জা

(ঙরাংগী মখা...) চুড়াচান্দপুরগী থেঙ্গ্রা লৈরক্তগী লাঞ্জেল্লক্তুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা মীওই অসিনা পাউচে অসিদা মখা তানা হায়, লান হৌরকখিবা নুমিৎ মে ৩, ২০২৩দা ঐখোয়গীদমক মতিক চাবা সিক্যুরিটি পীবিখিদবনা ইশাগী য়ুম-কৈ থাদোক্তুনা লান চেল্লকখিবনি অদুগা হৌজিক্না লাঞ্জেল্লক্লবা মতুং অসিদসু ঐখোয়গী লমশিং অদুদা শাজরম্বা য়ুমশিং অদু হেভি মেছিন্নরি শীজিন্নদুনা ফূক্তোক্লগা লম্মাং ওন্থোকপদসু সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা থারক্লিবা সিফাইশিংনা করিসু তৌবা ঙমদবা হায়বসিদি অদুক্কী মতিক থম্মোয় শোকই। থৌওং অসিনা তাকপদি মীয়ামগী লৈঙাক অসি অদুক্কী মতিক শোল্লে অমসুং ঐখোয়গীদমক মতিং ফূদোকপীগদবা কনাসু লৈত্রে হায়বনি। মরম অসিনা সেন্ট্রেল ফোর্সশিংনা বায়স ওইদুনা কুকিশিংগী মীচং চঙলে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোরকখি।

হৌজিক রিলিফ কেম্পতা অদুক্কী মতিক থম্মোয় শোক্না ঐখোয়বু থম্বীফম থোক্তে হায়রদুনা ঐখোয়গীদি তবীগদবা লৈঙাক্না তাবীদ্রে হায়দুনা লাউবা অমসুং পাউচেশিংগী খূত্থাংদা মীয়ামদা ঐখোয়গী অৱাবা অসিনি হায়বা ৱাফমদি ফোঙদোকপা য়াদে। ঐখোয়না লৈঙাক্লোইশিংদা হায়বা য়াবা হায়খ্রে, অদুবু মনা পঙখ্রে। ওইররোই হায়দুনা তূমিন্না য়াকা য়েংদুনা লৈরবদি ঐখোয়গী থম্মোয় শোক্না ৱারবা মীকুপশিং অদুগী মমল লেম্না মাঙলগনি খল্লি হায়রকখি।

ঐহাক চুড়াচান্দপুরগী ফাউন্দেশন স্কুলদা এসিষ্টেন্ট হেদ মাষ্টর ওইনা লৈজবনি। মরম অসিনা ঐহাকপু নুংশিবীবা চীংমীশিংনা ইতৎ তত্তনা 'ওজাহোয় হন্দক মতাংসিদি খরা শাথীগদবা মাল্লি' হায়রদুনা মফম চানা চেকশিন্না লৈহৌবনা ফগনি হায়বসি য়াম্না তোয়না হায়রকখিবনি অদুবু ঐহাক্কদি ৱাফমশিং অসি তারবা ফাওবদা করিসু তৌরোই হায়না ইরায় লায়না খুমখিবনি। তশেংনমক অসিগুম্বা ফীভম অসি ফাওবদি য়ৌরক্লোই হায়না লৈখিবনি। অদুবু লান হৌরক্লিঙৈগী মমাঙ মে ২, ২০২৩দা ঐহাক্না অঙাংশিংবু ট্যুশন তম্বীরুরগা হল্লকপগী নুংথিলগী পুং ৩.৩০ রোম তারকপা অদুৱাইদা লম্বীদা ফাও-ফাওদুনা লাকপদা মফম ৪/৫দা ফুরিৎ অমুবদা খূৎতুম য়েকপা অদুগা ওল ত্রাইবেল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন মণিপুর (অটসুম) হায়না থাবা টি-শর্টশিং য়েন্থোক্লম্বা থেংনরকখি। অদুদগী ঐহাক করিগুম্বা খরদি তৌরক্লগনি হায়না খনখি। অদুগা নোংঙাল্লগা চৎখিবা রেল্লি অদুদা ঙরাং য়েন্থোকহৌবা টি-শর্টশিং অদু লিৎতুনা লোইনমক থোক্লরকখি। রেল্লি চৎখিবা নুমিৎ অদুদা ঈশিং পুরকপা মীওই ফূবীবা অমসুং ঈশিংগী বোট্টুলশিং লৌথোক্লগা রেল্লি চৎলিবশিংদা য়েনবগী ভিদিওশিং উখি। (মথং-মথং)



HL-B/9659/24